

# সনালৈবাক স্পোর্টস






*ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনদা সেমি ফাইনেল চঙখ্রবা দোমিনিকাগী চিবুলকোভা*

*মালেসিয়া ওপনদা মায়থীহৌবগা লোয়ননা ব্রার্ল্ডগী রেঙ্কিংদা ৯ শুবদা হায়থখ্রবী ইন্দিয়াগী সাইনা নেহব্রাল*

## নদাল অমদি রোজর ফেদরর ফাইনেলদা থেংনরগনি





*মেলবোর্ন, জনুব্রারি ২৩ঃ*

মমাঙগী চহীদা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইদুনা ওপন অসিদগী শরুক য়াখিদ্রবা রোজর ফেদরর হায়না খঙনরিবা স্বিজকি শান্নরোই অসিগা হৌজিক হৌজিক ব্রার্ল্ডগী নম্বর ১ সিদেটতা লৈরিবা স্পেনগী রাফেল নদালগা হয়েং সেমি ফাইনেলদা থেংনরগনি।

মশাগী চহী ২৭ শুরবা রাফেল নদালগী ওইনা হন্দক্কি অসিনা অহানবা গ্রান্সলামগী ওপনিং সিজননি। মহাক্কী খূৎ ওইনা শান্নরিবা প্লে অসিনা ফোর্সফুল ওইবগা লোয়ননা চহী অসিগী ওইনা মহাক্লা চেম্পিয়ন ওইগদ্রা নৎত্রগা ওইরোইদ্রা হায়বদু হয়েং স্বিজকি মতম অমগী গ্রান্সলাম হন্টর ওইরিবা রোজর ফেদররগা শান্নবা অসিদা খঙলগনি।

ওইথংবা খূৎনা টেনিসকি রেকেট পায়বদা করিগুম্বা অমত্তা অশোইবা লৈতবা স্পেনগী রাফেল নদালনা মহাক্কা শান্নগদৌরিবা মতম অমগী ব্রার্ল্ড নম্বর ১ ওইরম্বদা নত্তনা গ্রান্সলামগী টাইটল কয়ারক লৌবগা লোয়ননা গ্রান্সলাম হন্টর হায়রগা খঙনরিবা স্বিজকি রোজর ফেদররগা শান্নগদৌরি।

মশাগী চহী ৩২ শুরবা স্বিজকি শান্নরোই অসিনা মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্টতা শুপ্নগী টুর্নামেন্ট অমা খক মায় পাকপগা লোয়ননা মহাক্লা লৈরম্বা রেঙ্কিং অদুদগী মঙা হায়থরগা ১৩ সিটতা লৈরিবা শান্নরোই অমনি।

হন্দক্কি ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন অসিদা স্বিজকি শান্নরোই অসিনা ইং ২০০২ দা মহাক্লা গ্রান্সলামগী সেমি ফাইনেল য়ৌরকখিবগা মান্ননা হন্দক্কি ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন অসিদা সেমি ফাইনেল চঙলকখি। হৌজিক হৌজিক মহাক ব্রার্ল্ডগী ওইনা ১৩ শুবা রেঙ্কিংদা লৈবা শান্নরোই অমনি।

স্বিজকি শান্নরোই অসি মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা টেনিসকি তোঙান তোঙানবা অচৌবা ইভেন্টশিংদা মায় পাকপা ঙমদনা লাকখি। মহাক্কী মপুন্সিগী ওইনা ইং ২০১২ দা এন্দি মুরেগা গ্রান্সলামগী মেটচ অমা ওইরিবা ব্রিমব্লিদনদা শান্নখিবা অদুগী মতুংদা হন্দক্কি অসিনা খ্বাইদগী অহানবা ওইনা গ্রান্সলামগী টাইটলগীদমক শান্নগদৌরি।

মেলবোর্ন পার্কতা চথরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন অসিগী নুমিৎ ১০ নি হৌখিবগা লোয়ননা স্বিজকি ফেদররনা মহাক্কী ফ্রি ওইনা শান্নবগা লোয়ননা ৪ শুবা রাউন্দদা ফাওবদা মায় পাকপগা লোয়ননা রাউন্দ অদুদা ফ্রেন্সকি জো ব্রিলফ্রেন্দ সোঙাবু মায়থীবা পীরমখিবা এন্দি মুরেবুসু মহাক্লা ঙরাং শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা মায়থীবা পীদুনা ওপন অসিগী সেমি ফাইনেল চঙলকখিবনি।

মায় পাক্লবা স্বিজকি শান্নরোই অসিনা ফোঙদোকখিবদা মেলবোর্ন পার্কতা পাঙথোক্লিবা ওপন অসিদা হন্দক মহাক্লা মায় পাক্লবদি ৪ রক ওইনা ওপন অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা শান্নরোই অমা ওইবা ঙমগনি।

মমাঙদা পাঙথোকখিবা ব্রিমব্লেদন অমদি য়ু এস ওপনদা মহাক্লা মায় পাকপা ঙমখি হায়নসু শান্নরোই অসিনা ফোঙদোকখি। মহাক্লা মখা তানা হায়রদুনা হৌজিক মহাক্কী হকচাংগী ফিজিকেলদা হান্নগুম্লা হল্লক্লে। লোয়ননা বোল তান্নদুনা য়ৈবদা অমদি বোল তান্নবদা মহাক্লা করিসু অকিবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা মহাক্লা মতম শাংনদগী হন্না হন্না ফাইনেল কয়াদা থেংনরকখ্রবা স্পেনগী রাফেল নদালগা সেমি ফাইনেলদা শান্নগদৌরি। মসি মতম কুইনদগী চথরকপনি। মখোয় অনী শান্নবা মতমদা ৩২ গী মনুংদা মহাক্লা ২২ মায় পাক্লগা নদালনা ১০ মায় পাক্কুনা লাকখিবনি হায়নসু শান্নরোই অসিনা ফোঙদোকখি।

নদালগা মহাক্কা শান্নবা মেটচতা য়াম্না কৃক কৃক ইন্ননা চৎলবসু মহাক্লা মায় পাক্কুনা লাকখি হায়না নদালগী কোচ ওইরিবা ষ্টেফেননা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, ইং ২০০৯ দগী হৌনা নদালগা মহাক্কা শান্নবদা থেংনরকপা অসি হন্দক্কি ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন অসিদনি। মতম অদুদা মহাক্লা নদালগী মখুত্তা মায়থীবা নঙখিবগা লোয়ননা মীওই কয়ানা মঙোন্দা মশান্না অসিদগী পোত্থরগদ্রা হায়বা ব্রাফম কয়া অমসু হংলকখি।

হৌজিকসু মহাক্লা নদালগা মায়োক্লন্দুনা শান্নবসি পাম্মী। মহাক্কা লম্বা তৌদুনা শান্নবদা করম্বা কোনরদা বোল থাদগদগে হায়বসি নীংথিনা ওবজার্ব তৌবগা লোয়ননা নদালবু মায়থীবা পীনবা মঙলান অমা মঙলি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

## সেন ব্রার্ননা ওষ্ট্রেলিয়াগী স্পিন্নর বোল্লিং কোচ ওইরনি



*মেলবোর্ন, জনুব্রারি ২৩ঃ*

ক্রিকেটকি বোল্লিংদা মিং লৈরবা স্পিন্নর বোল্লর অমসু ওইরম্বা ওষ্ট্রেলিয়াগী সেন ব্রার্ননা লৈবাক অসিগী হৌজিক হৌজিক লৈরিবা ক্রিকেট টিমগী স্পিন্নরগী কোচ ওইরগনি।

মশাগী চহী ৪৪ শুরবা সেন ব্রার্ন অসিবু টিম অসিগী স্পিন্নর কোচ ওইনবা হৌজিক হৌজিক ওষ্ট্রেলিয়ন ক্রিকেট টিমগী হেদ কোচ ওইরিবা দরেন লেহমাননা অয়াবা পীবগা লোয়ননা টিম অসিগী ওইনা মহাক্লা বোল্লরশিংদা স্পিন্নরগী ওইবা ট্রেনিং অমা পাঙথোক্কদৌরি। মসি বঙ্গলদেশনা যুম্ভু ওইদুনা চহী অসিগী মার্চ ৯ দগী লৈবাক অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ব্রার্ল্ড টি–২০ ব্রার্ল্ড কপ অসিগী ওইনা মতম অমগী ফোর্মর প্লেয়র অমদি স্পিন্নর অসিবু টিম অসিগী স্পিন্নর কোচ ওইনা হাপখ্রে।

মসি মতম মতমগী ওইনা লৌখৎলকপনি হায়না চীফ কোচ ওইরিবা অসিনা ফোঙদোকখি। লোয়ননা মহাক্লা বোল্লর ওইনা লৈরিবা শান্নরোইশিংগী মনুংদা ফাষ্ট বোল্লর নত্তনা মেদিয়ম পিচ বোল্লরশিংদা মহাক্লা মতৌ করম্না স্পিন ওইবা বোল লঙগদগে হায়বনা চিংবা অসি নীংথিনা তাক্কনি হায়না লেহমেননা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মহাক্কী বোল্লিং অসিনা পাঙথোক্কদৌরিবা টি–২০ ব্রার্ল্ড কপ অসিদা ওষ্ট্রেলিয়ন টিম্না ধাকাদা তোঙানবা মখলগী অহোংবা কয়া অমা শোইদনা লাক্কনি হায়নসু চীফ কোচ ওইরিবা লেহমেননা মখা তানা ফোঙদোকখি। লৈবাক অসিগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা স্পিন্নরদা সেন ব্রার্ন নত্তনা মঙোন্দগী হেন্না হৈশিংবা স্পিন্নর অমা লৈত্রে। মরম অসিনা মহাকপু টিম অসিগী স্পিন্নরগী কোচ অমা ওইনা হাপকনি।

সেন ব্রার্ননা ইং ২০০৭ ফাওবদা ক্রিকেট শান্নরম্বদা মহাক্লা টেষ্ট ক্রিকেটতা ব্রিকেট ৭০৮ লৌদুনা ব্রার্ল্ড রেকোর্দ থম্বা ঙমখিবা লৈবাক অসিগী মতম অদুগী অফবা বোল্লর অমা ওইরম্মী। মহাক্লা সাউথ আফ্রিকাদা স্পিন্নর অমগী হৈশিংবা কয়া অদু নীংথিনা উৎখিবা শান্নরোই অমসুনি।

## ইন্দিয়াবু মোজামবিকনা মায়থীবা পীখ্রে

*পনাজি, জনুব্রারি ২৩ঃ*

হৌজিক মফম অসিদা চথরিবা লুসোফোনিয়া গেমস ২০১৪ গী শরুক অমা ওইনা বাস্কোদা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফুটবোলগী গ্রুপ–বিগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াবু মোজামবিকনা মায়থীবা পীরম্বগা লোয়ননা মোজামবিক সেমি ফোইনেল চঙখ্রে।

লুসোফোনিয়া গেমস অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলগী মেটচ অমদা মোজামবিককি শান্নরোইশিংনা ফংবা পেনালটি অমদা গোল চন্দুনা অহানবা হাল্ফতা টিম অসিনা হোস টিম ওইরিবা ইন্দিয়াদগী গোল অমা মাঙজিল থাদুন লৈখি।

ইন্দিয়ানা গোল হন্দোক্লবা কন্না হোৎনদুনা শান্নরবসু অহানবা হাল্ফকি মতম লোইবা ফাওবদা গোল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি। সেকেন্দ হাল্ফ হৌদুনা মখা তানা শান্নরকখি। মেটচকি ৫৭ শুবা মিনিটতা ফংবা মোজামবিককী কোনর কিক অমদা ওসভালদো সন্দেনা কাওরকখিবা বোল অমা মপান্দা ইন্দিয়াগী দিফেন্দর রিচার্দ কোষ্টনা হেন্দিং তৌথোকখিবদা শোইবদগী ইন্দিয়াগী গোল মাউন্ট মনুংদা চঙখিদুনা টিম অসিগী অনীশুবা গোল ওইখি।

ইন্দিয়ানা মোজামবিককী মখুত্তা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা মায়থীরগসু পোইন্ট চপ মান্ননা ফংবগা লোয়ননা টিম অনীমক্লা পোইন্ট ৩–৩ ফংনখিবগা লোয়ননা লৈবাক অনীমক সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।



## সনিয়া অমসুং হোরিয়া সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

*মেলবোর্ন, জনুব্রারি ২৩ঃ*

ইন্দিয়াগী সনিয়া মিরজা অমসুং মহাক্কী মিক্স দবলগী পার্থনর অমা ওইরিবা রোমানিয়াগী হোরিয়া টেকাও মায় পাকপগা লোয়ননা সেমি ফাইনেলদা চঙবা ঙমখ্রে।

নীংশিংবা য়াই সনিয়া মিরজা ওপন অসিদা ঙন্না সিঙ্গলস অমদি দবলসতা মায়থীহৌখ্রবনি। অদুবু মহাক্কী অরোইবা ওইনা শরুক য়ারিবা মিক্স দবলসতা মায় পাক্কুনা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে। ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুদা ৬ শুবা সিটতা লৈরিবা মিক্স দবলসকি টিম অমা ওইরিবা সনিয়া মিরজা অমদি রোমানিয়াগী হোরিয়াগী টিম্না অনসিদেট ওইরিবা এসম অমদি জুলিয়াগী কম্বাইন্দবু ৬–৩, ৬–৪ দা মায়থীবা পীখি।

ইন্দো রোমানিয়াগী টিম অসিনা অনসিদেট মিক্স দবলস টিম অসিবু মায়থীবদা পীবদা শুপ্নগী মিনিট ৬৩ চঙখি। মখোয়না সেমি ফাইনেলদা ওষ্ট্রেলিয়াগী অনসিদেট ওইরিবা অতোপ্পা জরমিলা গাসদোসোভা অমদি মেথ্যু ইদেনগা থেংনগনি। মেথ্যু ইদেনগী মিক্স দবলস টিম্না সেকেন্দ সিটতা লৈরিবা কার্টিনা সেরবোটনিক অমদি ইন্দিয়াগী রোহন বোপানাবু ৭–৫, ৭–৬ তা মায়থীবা পীরমখিবনি।



## ইউজিনি বৌচার্দ সেমি ফাইনেলদগী লৈহৌরে



*মেলবোর্ন, জনুব্রারি ২৩ঃ*

মশাগী চহী ১৯ খক্তা ঙাইরিবী কনাদাগী টেনিস শান্নরোই অমা ওইরিবা ইউজিনি বৌচার্দ ব্রুমেন্স সিঙ্গলসকি ওইনা মপুন্সিগী অহানবা সেমি ফাইনেল চঙবদাদা মায়থীহৌরে।

শান্নরোই অসি হেক য়েংবদা হৌজিক হৌজিক ব্রার্ল্ডগী নম্বর ৪ সিটতা লৈরিবী হন্দক্কি ওপন অসিদগী ৪ শুবা রাউন্দদা মায়থীহৌরবী রুসিয়াগী মরিয়া সরাপোভাগুম্না টিনিসকি ফেন্দশিংনা খ্বাইদগী পাম্নবা নহা ওইরিবা নুপী টেনিস শান্নরোই অমা ওইরক্লি। মহাক্লা মেটচ শান্নবা মতমদা ভাবক কয়ানা মহাক্কী মতুং ইন্দুনা মহাক্কী মেটচ য়েংবগা লোয়ননা নহা ওইরিবী শান্নরোই অসিবু পুক্লিং থৌগৎপা ভাবক মশীং য়ামখি।

শান্নরোই অসিনা অহানবা ওইনা দব্লিউ টি এ টুর্নামেন্টতা মমাঙগী চহীদা শরুক য়াবা হৌরকখি। হন্দক্কি চহী অসিদা পাঙথোক্লিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন অসিদা মহাক্লা সেমি ফাইনেল চঙলকখিবা অসি মাগী পুন্সিদা অহানবা ওইনা গ্রান্সলামগী সেমি ফাইনেল চঙলকপনি।

হন্দক্কি অসিনা মহাক্কী পুন্সিদা গ্রান্সলামগী মেটচতা মরিরকশুবা ওইনা শরুক য়াবনি। অদুবু সেমি ফাইনেল মেটচ অদুদা মহাক্কী অহানবা ওইনা গ্রান্সলামদা শান্নবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইখি। মহাকপু চিনাগী লি নানা ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীরমখিবনি।

মায়থীবা নঙলবা কনাদাগী টিনেজর শান্নরোই অসিনা ফোঙদোকখিবা মহাক্কী পুন্সিদা টেনিস হায়বা মশান্না অসিদা মখা তানা শান্নরকপগা লোয়ননা তুংদা লাক্কদবা টুর্নামেন্টশিংদা য়াম্না নীংথিনা শান্নরক্কনি হায়বা ব্রাফম ফোঙদোকখি।

মহাক্কী ওপিনেন্ট ওইনা শান্নখিবা লি নাগী খূৎশান্না অদুগা মান্ননা মায়কৈ খুদিং শিনবা থুংনা চেন্দুনা শান্নখি। গেম অদুদা মহাক্লা নুঙাইবা ফাওই হায়বা ব্রাফম ফোঙদোক্লন্দুনা মহাক্লা গ্রান্সলাম ৪ রক শুনা শরুক য়ারকপা অসিনা হন্দক মহাক্লা সেমি ফাইনেল য়ৌরকপা অসিদা নুঙাইবা ফাওই হায়বা ব্রাফম ফোঙদোকখি।

## মেসিনা বার্সেলোনাবু মায় পাকহনখ্রে

*বর্চেলোনা, জনুব্রারি ২৩ঃ*

অর্জেন্টিনাগী লিওন মেসিনা য়ুরোপ্তা লাক্কুনা য়ুরোপকি টিম অমা ওইরিবা বার্সেলোনাদা হেক য়াওরকপদগী হৌনা টিম অসিদা মহাক্কী ৪০০ শুবা গেম অমা ওইখিবগা লোয়ননা টিম অসিনা ওপোনেন্ট টিম্বু ৪–১ দা মায়থীবা পীখি।

মেসিনা টিম অসিবু মায় পাকহনবগা লোয়ননা মার্চেলোনা হৌজিক হৌজিক ওইনা ফাইনেল চঙবা টিম অমা ওইবা ঙমখ্রে। টিম অনীমক্লা কন্না শান্নখি অদুবু অহানবা হাল্ফকি ময়াই ওইরকপা মিনিটতা ওপোনেন্ট টিমগী শান্নরোই অমনা ওন গোল অমা চনবদগী টিম অসিগী কোচ অমদি মেনেজরশিংনা অঙকপা ফাওনখি। লোয়ননা মেসিনা মহাক্কী টিম মেট অমগী মতেঙনা মেটচ অদুদা হেদট্রিক ফংবগা লোয়ননা বার্চেলোনা টিম্বু ফাইনেল ফাওবদা পুশিনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা শান্নরোই অমসু ওইখি।

অর্জেন্টিনাগী শান্নরোই অসি হন্দক্কি চহী নত্তনা মমাঙগী চহীশিংদা ফিফানা পীবা পেষ্ট প্লেয়র ওফ দি ইয়র হায়বা টাইটল অসি ফংদুনা লাকখিবা শান্নরোই অমনি। মিনিট ৯০ গী মেটচ অসিগী মনুংদা অতোপ্পা শান্নরোই অমা ওইরিবা খৃষ্টিনানা মহাক্কী হৈশিংবশিং অদু উৎথোক্লবগী মতম মিনিট ১৫ দগী হেন্না ফংখিদে।




Millennium Institute of Sciences

*Presents for the first time*

MILLENNIUM SCHOOL

From 2014-15 Academic Session opening

**Daycare, Prenursery, Nursery Classes & K.G.**

From this Academic Session onwards at Sagolband Salam Leikai, Imphal - 795001

**Special features :** AC room for daycare

- Home away from home for day care
- Hygienic mid day meal for day care
- Audio Visual Classrooms
- Play-way method of teaching system
- Well equipped teaching and playing materials of latest technologies
- Well experienced and trained faculties with seniors from Delhi Public School.

*Form available from 7th November 2013*

@ Millennium School Office, Sagolband Salam Leikai.

& Millennium Institute of Sciences, Kwakeithel Mayaikoibi.

SL/29/19/B



ANGELS' COACHING CENTRE (ACC)

URIPOK POLEM LEIKAI

ADMISSION OPEN FOR | MOCK TEST 2014

| PREVIOUS MOCK TEST RESULT 2013 | | HSLCE RESULT 2013 |
|---|---|---|
| MIRANDA M. (NBS) | 1st RANK | 1st |
| SYDENNY TH. (LFS) | 2nd RANK | 6th |
| RATIMANJURI H. (NBS) | 3rd RANK | 3rd |
| MIRANDA O. (NBS) | 4th RANK | 5th |
| VIVEK A. (St. Joseph) | 5th RANK | 14th |
| REMA N. (NBS.) | 6th RANK | 15th |
| S. SADA (LFS) | 7th RANK | 16th |
| CHITRA KH. (NBS) | 8th RANK | 16th |
| S. BIDYALAXMI (LFS) | 7th RANK | 22nd |
| BIDYALUXMI NG. (LFS) | 8th RANK | 24th |
| Prescila RK. (NBS) | 9th RANK | 24th |
| S. Linthoingambi (LFS) | 10th RANK | (89.6%) |
| Michael H.(Catholic) | 11th RANK | (88.4%) |
| Daniel H.(St. Joseph) | 12th RANK | (87%) |
| Rebika Kh.(LFS) | 13th RANK | (87%) |
| Kelveen Raj(St. Joseph) | 14th RANK | ( 86.6%) |
| Evylyn G.(NBS) | 15th RANK | (86.4%) |
| O. Babykalpana(PS Ningthoukhong) | 16th RANK | (85%) |
| Raveria Th.(NBS) | 17th RANK | (83.2%) |
| N. Polendro(Heritage) | 18th RANK | (82%) |
| L. Binju (LFS) | 19th RANK | (80.4%) |
| Devia RK.(Alpha BCI) | 20th RANK | (78.4%) |

MEGA MOCK TEST 2014

TIME : 10:30 A.M. TO 1:30 P.M.

| DATE | SUBJECT | MARKS |
|---|---|---|
| 10-01-2014 | S/SCIENCE | 80 |
| 19-01-2014 | SCIENCE | 80 |
| 25-01-2014 | MATHS | 80 |
| 02-02-2014 | ENGLISH | 80 |
| 09-02-2014 | ADDL. ENG./ MIL/THADOU | 80 |

Contact No.: 9856988840--9863222153--9863265726